## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৮

১। কুমজা ১৮৪৪ অসি ঐখোয়গী পুৱারীদা মরুওইবা থৌদোক অনীখক থোকখি। অমনা মতমদুগী যুবরাজ নরসিংহবু ইবুংশি নবিন্না থাঙনা শোকহনখিবা। অতোপ্পা অমনা অহানবা পোলিটিকেল এজেন্ট জোর্জ গোর্দোন লমদমসিদা শিখিবা।

(ক) যুবরাজ নরসিংহ মশাগী চহী কয়াদা নিংথৌ ওইখিবগে?

(খ) পোলিটিকেল এজেন্ট জোর্জ গোর্দোন কদায়দা ফুমখিবগে?

২। "পৃথিবী অসে অকনবগীনি খঙদ্রা? মসিদা অশোনবগী মফম লৈতে- নমদুনা হিংলগা নমদুনা পানগদবনি।" পরেং অনীসি রা.কু. সুরেন্দ্রজিৎকী লীলা অমদগী লৌথোকপনি। লীলাদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "খোমইনবী মমাশিংনা/নীংঙাইদনা তৃপ্লি কৌবা তাদনা/মচাশিংনা চিংলি হঞ্জিন হঞ্জিন/খোম খকখ্রবা খোমজিনশিংদুদা।" পরেং মরি অসিনা কবি শরতচান্দগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "য়েংলু খুদিং নঙতবু উরে/... পাল্লিবা হৈরাংসু নঙগী শক্তম/শাৎলিবা লৈসু নঙগী মায়থোঙ।" পরেং অহুম অসিনা আর কে হেমাবতীগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "কায়রবা থম্মোয় মচেৎশিং/হৌরসনু লৈপাল ওইনা/মাগী থোঙ্গাল মনাক্তুদা/লৈরাং লৈনম ফংবদা/ঐগী থম্মোয়নি খঙনবা।" পরেং মরি অসিমনা 'কেন্দুনা লৈরম্লবদি থম্মোয় অমা' কৌবা ঈশৈ-শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৭কী পাউখুম ৩ চুম্না থাবীরকখিবীদি

১) **নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা মাইবম লৈকায়** (৩)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৯৭গী ৱিন্নর

**নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা মাইবম লৈকায়**

লিটরেরি ক্যুইজ ৯৭কী মনা লাম্হোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম জুন ১৬, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্হোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৭কী পাউখুম

১। মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল লান্দা ইরেংবম থুন্দাংবগী লান অসিসু অমনি। মী য়াম্না শিখি, মশামক ফারগা হাৎখিবনি।

(ক) ফম্বাল লান অদু করম্বা চহীদা থোকখিবগে? **:- ১৮৮১**

(খ) ফম্বাল লান্দু থোকপা মতমদা লৈরম্বা পোলিটিকেল এজেন্ট অদুগী মমিং হায়য়ু। **:- সার জেমস জোন্সটোন**

২। "লৈরাংত লৈরাংনি ঐগী পামজবা শৈরেংদি/...মাগী নুংশি মঙলান্দা/শানৌ ঙাইহাক মাঙজরবা/য়ারে লৈরাং।" পরেংশিংসি কবিরত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

**:- 'পামজবা শৈরেং'**

৩। "কৈশাম প্রিয়কুমারগী ৱারীমচা অমদা 'নোংনা ফূদিৎ ফূনা চুবা অহিং অমদা পাখঙমচা অমনা কোম তৌবা, অদুগা কোম অদুদা পাখঙদুমক ফূমজিনবীখিবা' উৎলি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

**:- 'মঙ মচা অমগী খোঙচৎ'**

৪। "শাৎচনীংবনি লৈরাং কুন্দো ওইনা/নুংশি লংলাদা লেংজরগা/নঙগী ঙকশমদা হুক্লবা" পরেং অহুম অসিনা 'ঐবু লৌবা লাক্কনি' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অদু কনানো? **:- নতিশা**

৫। "হোৎনববু কল্লবদি মহয় শোয়দনা চায় উৎপা দ্রামা লাইরিক, 'কপ্পু কপনিংলকইদা' কৌবদুগী চীংমী অইবা অদুগী মমিং হায়য়ু। **:- আর রোবিন্সন মোয়োন**

ৱারী ককনাউ

# সিবু চাওখৎলি হায়দোইরা?

চীংয়াদা হৌবা অচৌবা মনা পুংবা ৱাঙথোইরবা হৈনৌ পান্বী অদুগী মখাদনি ঐখোয় অহুম্না অয়ূক্তগীনি ফম্লগা জগৎকী মবুংঙোনি হায়রিবা ইবুংঙো সিব মহাদেবগী থৌগল চথরিবসি। ইবুংঙোদা কৎচরবা মনম নুংশিখ্রবা ময়াই কনবা প্রসাদিদু ঐখোয়না লান্না-লান্নদুনা ফংমিন্নে। ঙান্থক মঙা তরুক্তা ওল্লকপা মতমদদি ঐখোয় মীৎসি নিংথিনা পাংবা ঙমদনা ইশাসি তরং চৎলগা ইবুংঙো মাগী থৌজাল চপ চানা ফংলে। ঐখোয়না শানরিবা ৱারীসিদি লোইরে। মণিপুরগী ৱাদি কয়াবু হায়নদ্রে। ইন্দিয়াগী, অমেরিকাগী, ইরাক-ইরানগী লোইরেদা ইসু শুরে। অচৌ অচৌবা লৈবাক্কী ইস্যু কয়াগী ৱারী ঙাক্তনি শানরিসি। ঐখোয় অহুম হায়রিসি ঐ অমুক্তা শক্তাকচহৌগে। থোইথোই, মহাক দিল্লিদা এম বি এ লোইরে, মথন্তা পোকপনি, মমা মপানা লুনা তৌই। কেথোক নাওয়োকপনা মানা তৌনীংবতা তৌই। মাবু লমজিংবা সেনিয়র ষ্টুদেন্ট চাউথোইনা মাবু তাইবঙগী মপু মগুন চাউরবা ইবুংঙো হর-হর মহাদেবগী অচানবা মনাই ওইনা শেম্বীখিবনি। চাউথোইসু দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদা এম এ ফর্ষ্ট ক্লাসতা পাস তৌরকপনি। মণিপুরদা থোরক্লগা ওজাগুম্বা মচা অমত্তা ওইরসু ফংগদ্রা খল্লগা লাকপনি। ফংদে। প্রাইভেট স্কুল অমদা মতম খরা ওজা ওইরম্মী। পীরিবা তোলোব মতাদুনা, মানা তৌরিবা সার্ভিস তুনে চানবা ৱাৎপদগী হৈনদদুনা মাগী হৈনজবী ইবুংঙোগী থৌগলদা মায় ওনশিল্লকপনি। ঐখোয় ঙসাইদগী ইবুংঙোগী মনাক তান্না য়ৌরুরে, হৌজিক নুংথিল ওইরম্মে পুং ২ মুক তারম্মে, নিশা খরা হল্লকপদগী ইবুংঙোনা ঐখোয়বু থাদোকপীরক্লে।

ইতাও চাউথোইনা চেকশিন্না চেরং অমনা য়োল্লগা পুরকপা পোত্তু লৌথোকই। ঙান্থক অমতগা পায়খিসি হায়না শেম্নবা পুথোরকই। ৱা! চেরংদু হেক হাংদোকপদা নপ-নপ লাউরবা পোৎতুগী হুং লাউবা মনমদুদা মমীৎ খংশিং শিংলবা থোইথোইনা মোন্দা নুংঙাইনা ঈশৈ শক্লকই। চাউথোইনা থাঙ মচা অমনা য়াম্না চেকশিন্না কক্লি।

"নুংশি করি ওইরসিগে... নুজা ৱাখল থেনমল্লি..." ঈশ মতেকসিদং শকপদা থোইথোইদু ফনা কুইনা চঙই। য়াম্না চিং-চিংদুনা শকপা ঈশৈনি। ওরিজিনেল শকখিবা সিঙ্গরদুনা করিগুম্বা লৈরমদুনা তারবদি ফূরগা তাল্লক্কদবা ঈশৈনি। ঐখোয়বুদি মাগী ঈশৈসি হঞ্জিন হঞ্জিন তারবনিনা কৈসু থোইদোক্ত্রে। লোংনা হিপ্পগা ঈশৈ শক্লিবা থোইথোইনা মশাদু খিতং চেপখৎলগা,

"লোইদ্রিবো তা চাউথোই, কুইখ্রেদা"

"লোইরে লোইরে। কদাই মৈ চুরকউ ঐ হান্না অমুক্তা চিংগে। অহানবগী মৈ হৌনা চিংবসিনি ঐনা য়াম পামজ রিসে সে...সে..." মখূৎ অনীনা চেকশিন্না পায়রগা মচিন্দা থল্লিবা ঙান্থক অদুদা ঐনা মৈ চুই। চাউথোইনা হুৎ-হুৎ... চিংলম্বদগী অরোইবী থাদুনা অমুক্তা হুৎ... লাউনা চিংলগা থোইথোইদা লাল্লি। থোইথোইনা চিংবদু ঐনা তিন য়োৎখৈ য়েংলগা ঐঙোন্দা লাল্লকপা ঙাইরি। মাদি খরা নহা ওইবনিনা অনী অহুল্লক নোট-নোটতুনা হুৎ-হুৎ চিংখিবদা হীদাক লোইরম্মনি হায়না ঐনা পাখৎলি। ঐঙোন্দা লাল্লকপদু ঐনা মীৎসি উইথরপ তৌরগা ফীভম শেল্লগা খোঙ্গ্রাই চল্লগা ইবুংঙো মাগী শক্তম লৌদুনা নিংথিনা চিংই।

"ইন্দিয়াগী লৈঙাক অনৌবা অমা লৈরে। মসি য়াম নুংঙাই। মিনিষ্টর ওইরিবশিংদুগীদমক্তা ঐনা খঙবা, ইবুংঙো হর-হর মহাদেবগী অচানবা মনাই অমসু য়াওরিবনি। মাসু ঐখোয়না পায়রিবসি উরবদি মখূৎ তিংথোরক্কনি, অমুক্তা য়াওহৌগে হায়না, মাসু হায়রপ পান্বনি" ইতাও চাউথোইনা মমিৎতি পাংদনা মঙক্তু লেকথরপ তৌরগা হায়রকই।

"কনানো নে?" ঐনা হংই।

"ইন্দিয়াগী ৱা হৌদোরক্কনু, তানীংদে। ইন্দিয়া হায়বসি য়াম্না চাওখৎতবা লমনি" থোইথোইদু কায়দগী নুংশিৎনো খঙদে শাওরপনা হায়রকই।

"অদুদি হেনমন্দ্রো থোই?" চাউথোইনা খুম্মী।

"হেনদে য়াম ৱাৎলিবনি।"

"অদুদি নঙনা ইন্দিয়া চাওখৎতে হায়রিসিগী মরম পীয়ু, নৎত্রদি য়ারোই"

"পীগেনে"

"পীয়ু" মোই অনীনা কন্না মরৈ তৌনরকপদুদা ঐ ৱাঙথোইরবা পান্বীদুদা ঙাথরগা তাই।

"ইন্দিয়া হায়বসি য়াম চাওখৎতে কো। ইন্দিয়াগী দিভলপমেন্টকী মতাংদা হৌজিক কৈসু তৌবা ঙমদে। হৌজিক ইন্দিয়ানা তৌরিসি অতৈ অমত্তা নত্তে। অমাংশঙ শাবনি। ইন্দিয়া হায়সি অমাংশঙ লৈতবা লম অমা ওইনা মালেমসিগী মমাঙদা এদভর্টিজ তৌরিসে নোই খঙদ্রো?"

"কনানা তৌরিবা?"

"তৌরিসিদি, ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা এক্টর অমিটাব বচ্চন ফাওবা য়াওনা, টি ভিদা লেত্রিন শানবগী ৱাগা ঙাঙদনা ইকায় শঙ্গোই হাংখৈ তৌরিসি উদ্রো। অদুনা তাকপদি ইন্দিয়া হায়সি লেত্রিন লৈত্রিবা, লেত্রিন শাবগী কান্নবা খঙদবা অমগুম্না মালেমগী লৈবাক কয়াদা উহল্লিসিবু ইকায়দ্রো। অমেরিকাগী টি ভি চেনেল অমত্তদা লেত্রিন শাবগী এদভর্টিজ মেন্ট অমত্তা উব্রো?"

"হোয়নে নঙনা হায়দু চুম্মীনে"

"চুমদদি, হন্দক মানা ভোট কারিদো, অদুসু ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা লেত্রিন লেম্না শাবীবদগী কারিবা ভোটনি, নোই খঙদ্রো। হা হা হা... লেত্রিন শাবগী ভোট কারিবা লৈবাকনিনে ইন্দিয়া হায়সে। সিবু কয়াম চাওখৎলে হয়দৌরিনো, তানীংদে হায়সিনি। ঐদি মী মমাঙদা ইকায়। লেত্রিন শাও হায়না পাড়া তাকপদৌনা তাক্লিবা লন অসিদা পোকপনি হায়সি ইকায়, অদুনা মথং মপোক্তদি ঐ ইন্দিয়াদা পোকচরোইকো"

ঐনা উপান্বী ৱাঙথোইরবদুদা ঙাথরগা সুম খল্লি -

"ইতাও চাউথোইনা হায়রিবা ৱাসি চুম্মী... ঐখোয় য়াম চাওখৎত্রি। লেত্রিন চঙলুরগা খূৎ হান্বা হৈত্রি। অদুনা লেত্রিন চঙলগা খূৎ শুমাইনা হাম্মু হায়না পাড়া ওইনা তাক্লিবা লমনি। সিবু চাওখৎলি হায়দুইরা?"

নুমিৎনা ময়ূম চঙখিবা মতমদুদা ঐখোয় হৌগৎতুনা তপ্না তপ্না ৱাখল অমত্তা মাঙহন্দনা ইয়ূম মায়কৈ তান্নরকখি। কয়াদা নুংঙাইখ্রবা।■

- নরেন্দ্র নিঙোম্বা

মতম মতমগী ৱাফম

# তাইবঙ মীরোন খঙবা যূমগী শা-উচেকশিং



ৱাই ইরাবোৎকা লোয়ননা য়ুমগী ষন ,হামেং, হৌদোং
ফোটোশিংসি মাগী লাইরিক ' ঐখোয়সু থম্মোয় পাল্লি' সিদগী লৌথোকচবনি।

লাই হাক্তকতগী হৌনা, শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, লিন, শাগোন, শামু অসিনচিংবা শাশিং অসি লাইয়ামশিংগা লোয়নদুনা লাকই, লাইশিংগী শাদোং ফাওবা শা উচেক শগোল শামুনা ওইরকই । লৈশেমলকপদা শা-ঙাগী মফম লৈরকই। ঙসি লাইশিংগী মতম লোইখ্রবা, তাইবঙ মীওইবনা খুন্দাদুনা লৈঙাকলক্লবা মতম অসিদসু শা-ঙা, উচেক-ৱায়া অসি ঐখোয়গা থাদোক্লবা য়াদ্রি । লমলক্কী শা-ঙা, উচেক-ৱায়া খরদি ঐখোয় মীওইবনা যূমশা ওইনা লোইরি। যূমশাশিংগী মনুংদা হৌজিক লোইনরিবসি ষন,শগোল, হামেং, ওক, য়াও, হুই-হৌদোং, থেবা, ঙানু-য়েন, খুনু, কাংঙা অসিনা মরুওইরম্বদগী মপাল লমদগী পুশিল্লকপা, মীরমগী শা-ষন উচেক ৱায়া কয়ানা ঐখোয়গী লমদম অসিদসু মশীং হেনগৎলক্লি। হৌজিক ঐখোয়গী হান্নদগী লৈজরকপা যূমথোং খূদিং লোইনরম্বা মৈতৈ হুইগী মুহুৎতা মপান লমগী হুই মখল কয়া মমল তাঙনা তাঙনা লৈনদুনা লোয়নরি। কনাগুম্বা খরদি মীরমগী হুই ললোনবা ফাওবা য়াওনরে। লৈতেংগী অপীকপা উচেক মখল কয়া শারংদা লোইনরে। হৌদোং ফাওবা মপানগী হৌদোং পুশিল্লক্তুনা লোইনরে। মসি চাওখৎলকপনা পুরকপা অহোংবনি হায়না লৌরবসু কায়দে।

ৱাফম অসিনা নাকল অমদা থমজরগা ৱারেংজরিবা ইশামকসু শা উচেক অসি পীশক পীক্লিঙৈদগী পামজনা লাকই। অহল লমন হাক্তক্তগী ষন, শাগোল, হুই, তেনৱা লোইবা ইমুং ওইরকই। ষনগোন, শগোল শঙ চাউনা শাদুনা ষনয়াম, শগোল ময়াম লোইজরকপা ইমুংদা চাউজরকই। চুম্নগী শা উচেক লোইবা নৎত্রে। শাজিক ফান্নবা, শেন্ননবা মী ফাওবা থমলগা লোইরকপা ইমুংনি। হুইসু অমা অনীদা লোইদে। তেনৱা, মোইনা উচেক য়াম্না লোইরকই। মোইনা উচেক্তি চুম্নগী মী খ্বাইগী মরোন থোকপদু নৎত্রে মী অমদা হৈবা ঙাঙনবা লোলদগী হেন্দেক্তুনা ফিল্ম ঈশৈ শকপা হৈরে, মিমিক্রি, লীলা ড্রামা, গাড়ি থৌবগী মখোল, টেলিফোন ওকপা ফাওবা লোইনা হৈখিবা য়াওখ্রে । য়াম্না অঙকপা মতৌনি। অশুম্না শা উচেক্কা অঙাং ওইরিঙৈদগী লোইনরকপা, মখোয়গা শান্নমিন্নরকপা ওইবনা ঙসি ফাওবা শা উচেকসি থাদোক্লবা ইয়া য়াদ্রি,অদুম নুংশি, পাম্মী। মখোয়বু লোইনিংঙি, মরুপ মপাং ওইনিংঙি।

ঐগী কোকিল উচেক্কা ঐগা মরোল খঙনৈ । ঐনা খোংবদা মখোয়সু খুম্মী। পাইথোকলুরগা চৎলু য়াদ্রে যূমদা হনজিল্লকই। লমগী কোকিল অমা পাইরক্তুনা যূমদা কোয়থোকলরবগসু য়াওরে। চহী খুদিংগী ঐগী যূমদা লৈরিবা কোকিল অমোমদা লমগী কোকিল লাবনা কোয়রক্তুনা হৈনৌ মপাল খুদোল তম্বীরৈ। অঙকপনি ! যুমদা লৈমিন্নরিবা কোকিল লাবনা, মহাক লৈনা লৈনা অতোপ্পগী হৈনৌ মপাল কোকিল লাবা অমনা পুরকপা যূমগী অমোমনা লৌরুবগী, মথুম মরাং হৌনা খোংবগী যূমগী লাবা অমোম ফুনবদা মকোক মরু কায়নৈ। কুম খূদিংগী কোকিল লাবা অমনা যূমদা হেক হেক লাক্তুনা যূমগী মপুরোইবা লৈরবা কোকিল অমোমদা কাইহৌরৈ। উচেক্কী ৱায়েনশঙ লৈতবগী তৌবনি। ফেমিলি কোর্ট কাবা য়ারক্কদৌরি।

ঐগী উমাইবী চহী ২০ শুরে। থাদোক্লগা থম্মী। যুমগী ইঞ্জোলগী ৱাংমা লান্না চৎলু য়াদে। মীগী ইঞ্জোল চঙদে। ঐখোয়গী যূম খঙঙি। মচিঞ্জাক থিবা চৎলুরগা যূমদা হঞ্জিল্লকই । যূমগী চাক হাপ্পদা মাগী শরুকসু য়াওরে। যূমগী মীশিং পাবদা মখোয়সু লোইনা য়াওরে হায়বা য়ারে । মাগী ইরুজনবা ঈশিং তোঙান্না থম্মী, কেবা পাম্মী। উফৈ থক্তা তোংবা পামদে চৌকী মথক্তা তোংনিংঙি। খ্বাইদগী ঙক্লিবদি ঐগী উমাইবীনা যূমগী থবক শূবা য়াওবসিমুক ঙকপা লৈত্রে। ইঞ্জোলগী নাপী মচিন্না চিক্লগা থৎতুনা ফাল্লি। খজিক খরাক ফানবা নত্তে। ময়া হা হা কাবমখৈ ইঞ্জোল কোইবা য়াওই। ঐগী হুই অমগা নুংশিনৈ। মখোয় অনী পুখম অমত্তদা চাক চামিন্নে। ঐগী হুইদু কম্বোং কৌই। কম্বোংনা হাকৎচবদা উমাইবীনা মচিন্না মাগী হাকৎচবা হোৎপীখি । মখোয়নি লৈমিন্নরবনিনা নুংশিনৈ । ঐগী হুই কম্বোং অরুবা ব্রেনগী লায়না অমনা নাদুনা খঙহৌদনা শিখিবদা ঐগী উমাইবা করিমত্তা চাও থকউ য়াদনা চয়োন অমরোম চারা হেনখি। কম্বোংগী হকচাং ফুমখিবা ইঞ্জোলগী মফমদা নুংতিগী চৎলগা লেপ্তুনা য়েংখিবা মিৎসিদা উরি। জাৎ মান্নবা মশেনসু নত্তবা, শাগৈসু পূন্দে মরোলসু তিন্নদে, ঐগী য়ুমদা লৈমিন্নরিবা শা উচেক্কা অসি য়ৌনা নুংশিনরি অদুগা ঐখোয় মীওইবনা অমগা অমগা নুংশিনদ্রিবা হাৎনরিবা, খৎনরিবা লাওনরিবা ময়ামসে তাবদা মখোয়গী মমাংদা ঐদুম ইকায়বা ফাওরকই। ঐগী উমাইবী অমদি কোকিলনা যূমগী মী মশক লোইনা খঙঙি। মখোয় মশেলসু লোইনমক খঙনৈ। যূমদা অতোপ্পা লমগী শা ষন, হৌদোং চঙলকপদা কোকিলনা মখোল য়াক্লা হান্না খোংদুনা তাকই। মী লাকপদনা উমাইবীনা খোংদুনা তাকই। যূমগী হুইনা উদ্রিঙৈদা মখোয়না হান্না খঙই, উই। মমিৎ থৌই । ঐগী উমাইবী হৌজিক অহল ওইরক্তুনা তৌরিব্রা খঙদে চমফুৎ পামখৎলকই, কবোক হৈবোক, মঙ্গল, ৱাতিন চাবা পাম্মী। শা ঙা চাবা পামখিদবা কুইরে। মাগী মমিং উমাইবী অদুম কৌই। কৌবদা নুংশিনা খুম্মী, মীদৌনা ইনাক্তা চেল্লকই । ইমুং মনুংগী মীনা কাউদুনা মচিঞ্জাক পীজহৌদ্রবদি মহাক্লা কাউখ্রে হায়বসি খঙই অদুনা মশানা লাক্তুনা মাগী চানবা পীরো হায়না মাঙ্গোলদা লেপলৈ নৎত্রগা ইমুং ফাওবা চংলকই। অতৈ মতমদা অমুক্তা লাক্তে । পীজরবা মতমদা মকোন্দা তপ্না তপ্না ঐখোয়দা য়েং য়েংদুনা চঙখি।

ঐগুম্না শা ঙা, উচেক ৱায়াগা ইমুং মনুংদৌনা নুংশিনা লোইনবীবা মীশক অমগী ৱারী নোংমা তাখি। কনানো খঙখিদে। ইথা থাজদনা মীশক অদুনা লাইরিক অমখক ফোংই হায়দুনা নোংমা ঐগী মরুপ অমনা পীবীরৈ। অতৈ কনাসু ওইরমখিদে, ইকায়খূম্নজরিবা লমদমসিগী শক্লাইখিবা পোলিটিক্সিয়ান, কয়ারক হন্না লৈঙাকপগী থৌসু পুবীরমখিবা ৱাই ইরাবোৎ ওইবীরমখি। অহল ইবুংঙো অসিনা ইবীবা লাইরিক "ঐখোয়সু থম্মোয় পাল্লি" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি পাবা ফংজখি । লাইরিকসিদা য়াওরিবা অমদি ইবীরিবশিং যূমদা লৈমিন্নরিবা যূমশা ময়ামগী ৱারী পাজরুবদা ৱাখল লম্বী মান্নরুবনা ওইবা তাই থম্মোয়গী নুংশিবগী মরী অসি ঐঙোন্দসু ফাওজখি। অহল ইবুংঙোগী যূমদা লোয়বীরিবা থৱায় পানবা শাশিং অসিগী পূন্সি মহীং, মখোয়দা উৎলিবা মীনুংশি অসি অতোপ্পা কনাগুম্বা মীগী মফমদদি থাজদবা, হৈনদবা ফাওরম্বসু য়াই। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ফোটোশিং অমদি মখোয়গী মরমদা তেন্তক্লা ইরিবা ৱারী ৱাখোং অসিনা মরোল থোকচদ্রবসু থম্মোয় পাল্লি হায়বা তাকপগী ইথিল অমা লাইরিকসিদগী খঙহনবা ঙল্লিবসি নুংঙাইবা পোকচখি। তাইবঙপানবদা মীনুংশি হায়বসি মরু ওই। মীনুংশি হায়বসি মীগা মীগগী মরক্তা লৈবদু ঙাক্তা নৎতবদা হিংমিন্নরিবা অতোপ্পা শা উচেক মায়ামসিগী মরক্তসু মথৌ তায় । ৱাখল খনবা ঙম্বা মীওইবনা মীনুংশি অসি খরা পাকথোক চাউথোকপা ঙম্লগদি মালেম তাইবঙ পানবসি ঈংবা ঙমগনি। ঐগী উমাইবীনা মনাৎ থাদোক্লগা শা চানিংলকত্রে, মীনা শূবা থবক মাসু য়াওনা শূমিন্নরবা মতমসিদা ঐখোয়না তোখায় তাবগী, ঙমখৈগী, ফম মীকানবগী, থবক শূনিংদগী, তিন্নবা য়াদবগী অচাউরম তান্নবদা মকোক থোংলি। খ্বাইরাকপম চাউবগী 'তম্বা' হায়বা ৱারেংসিদা ইবীরল্লিবা অহুমশুবা মহৈতমফম শঙদি তেংবানবগী মফমদগীনি, তেংবানবসিদা হিংমিন্নরিবা শা উচেকশিংদগীসু তমফম লৈ হায়বসি কন্না থাজজরি। নুংশিবসিদি, লোন থোকপা মশেল নুংশিনববুদি লোন থোক্তবা ৱা ঙাঙবা ঙমজদবশিংগী মফমদগী ফংবা নুংশিবনা হেল্লি হায়বসি ঐগী ওইনদি হায়জরগনি ।■

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

# থাগৎ ৱারোল ইবা তমসি

লায়না তৌবা য়াবা থবকনি খনবশিং অদুনি লায়না হেক তৌবা য়াদ্রিবদি। পুন্সিগী খোঙজেল য়াঙশিল্লকপগী মতিক, পুন্সিগী অচম্বা শাথেকশিংগী মমিদু তাফম থোক্লবা মতিক চাবা মীওইশিং অদুদা হেন্না হেন্না তারক্কনি। অদুগা ঐগী অসিগুম্বা মমি চাউনা তাহনবা ঙম্বা পুন্সিগী অচম্বা শাথেকশিংগী মনুংদা অহানবা পরেংদা য়াওরিবসি হৌজিক্তি মাঙখ্রে হায়না লৌবা য়ারবা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকপা চেরোল অমতং ইবগী থবক অদুনি।

মী খুদিংমক পাউরোলচে ফংবা পাম্নে - মীওইবগী হৌনশানি, চুম্লবা ৱাফমনি। থম্মোয়নুংদদি ঐখোয় খুদিংমক মীনা মরুওইবনি খলহন্নীংবগী অপাম্বা লৈনরিবনি। ঐ তশেংনা ঐগী লাইরিক পাবিদুনা মদুদা য়াওরিবা পারাশিং অদুনা লমজিং ওইদুনা মশাগী পুন্সিদা অফবা মায়কৈদা অহোংবা পুরকখ্রবা মীওইশিংনা ঐঙোন্দা পাউরোলচে ইবিরকপদু পামজৈ, নুংঙাজৈ। ঐগী সেমিনার য়াওদুনা মদু তারুবদগী মখোয়গী শিনফমদা, থবক্তা মায় পাকপা ফংলক্লবা, মশাগী পুন্সিগী ফীভম ফগৎলক্লবা ইবুংঙো ইবেম্মশিংনা থাগৎতুনা ইবিরকপা পাউরোলচে অদু চবুন চবুন ফংবদা হরাওজরি। অদুনা মীঙোন্দগী মসি ফংবদা ঐনা কয়ামুক নুংঙাইজবগে হায়বদু খঙবনিনা, ঐগী টেবলদা তারম্বা পাউরোলচে খুদিংমক্কী পাউখুম্বু থাগৎচরি হায়বা ৱাহৈগা লোয়ননা শোয়দনা হনজৈ।

মখোয়দসু নত্তনা ঐগী থবক্কী পরীংদা নোংমগী থেংনদবা য়াদদুনা থেংনরিবশিং - ৱা ঙাঙবগী মতম পীবিনবা হায়রকপা এগজিক্যুটিবশিং, ঐগী কোচিং প্রোগ্রাম য়াওরিবা মীওইশিং, হকথেংনবগী হায়বদি ইন্টরভিয়ুগী মতম পীনবা হায়রকপা পাউমীশিং, অদুগা অনৌবা খুদোংচাবা ফংবগী পাউ পীরকপা লল্লোন্মীশিং - পূম্নমক অসিগী মফমদসু থম্মোয় শেংনা ইদুনা থাগৎচরি হায়বা চে অমমম থাজৈ। চুম্মী, মতম্বুদি চঙই। হায়বা য়াই, ঐগী অথুবা থবক অতৈ লৈতবসু নত্তে। অদুবুনে থম্মোয়দগী থাগৎচরি হায়বা চেরোল অমা ফংবগা মান্নবা মপাঙ্গল লৈবা মরী চেৎশিলহন্নবগী অমদি মরী শাগৎনবগী হেন্না ফবা লম্বী অমা লৈত্রে। অসুম্না ইবনা নহাক্লা মী অদুগীদমক খনবা, মীগী ৱাখল তৌবা অমদি মীওইবগী থম্মোয় চেনবা মতৌ অসি উৎলি। অদুনা হন্দক্কী চয়োল অসিদগী হৌরগা অতাঙবা 'থেঙ্ক য়ু' গী কার্দশিং ময়োম অমা লোকল ওফিস সপ্লাই ৱেয়র হাওসতগী লৈরুরো অদুগা ইবা হৌরো। নহাকসু - নহাক্লা মরী থম্নরিবা পূম্বসু হরাওবনি।■

*(বি এস রাজকুমারনা মীতৈলোন্দা হন্দোকপা রোবিন শর্ম্মাগী লাইরিক 'নহাক্লা শিরগা কনানা কপহৌগনি?' হায়বদুদগী লৌখৎচবা)*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।